# ‘মফৈদা য়ৈদুনা লৈবগী থবক তোকপীরো’

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

### উশম ধরমেন্দ্র

মণিপুরগী ঈরাং লেপত্রি। মীতৈগী ৱানা লোয়জবা, লুনা তৌজবা লাইমক্কি খঞ্জবা যূমগী অৱাৎ-অপা কয়াবু মেনশিনবীবদা অচৌবা শরুক য়ারিবা শা-ষণবু হুরান্দুনা চাবা নার্কো কুকি-জৌশিংনা মীতৈশিংদা অতম্না লান্দাদুনা হৌরকখিবা লান ঙসিসু লোইদ্রি। মথংগী অকনবা এটেক অমগীদমক্তা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা শেম-শাবগী ব্রেক অমা লৌবগী মওংনি লৈরিবসি । করিনা হায়ববু মখোয়গী অচৌ-অচৌবা বঙ্করশিং শাজিল্লকপা মীয়াম্না উনরি, খঙনরি। লৈঙাক্নদি ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রি। ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হেক হায়বগা নোংমৈ মখোলসু হেক-হেক তাহল্লকই।

ঈং-তপ্পা হায়বসি মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ্না কোল্লিবা ফূরুপশিংগী মরক্তা ৱারী শানদুনা শন্তাইনবা অমা পুরক্লগা ঈং-তপ্পা হায়বদু লাক্কদবনি। অমুকসু ঈং-তপ্পা, পিছ হায়বসিদি মীওইদি লায়রদনা শা ফাওবা ঈং-তপ্পা পাম্লগনি। লমলক্তা লৈবা শাদু ফাজিন্দুনা থল্লবসু মাগী মচীঞ্জাক চাং-নাইনা পীজরবদি মমৈ হাই-হাইদুনা লৈরিবদুনি। ঈং-তপ্পগী লম্বী লাক্লবা হোৎনরকপদা কনাগুম্বা অখঙ-অহৈনো হায়গনি নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী খরা-খরা মানা-মানা পাল্লিবশিংদু হন্দোক-হঞ্জিন তৌনরবদি য়ানবা অমা লাক্কনি, মদুগা শন্তাইনবা অমা পুরক্কনি। মতাংসিদা মীতৈশিংগী মায়কৈদগী করি ৱাফমদা হন্দোক্তুনা কুকিশিংদা শন্তাইনরসি হায়গদৌরিবনো হায়বসিনি। মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংদা অতম্লনা লান্দারগা যূম-কৈ মৈ থাদোকপীবা, লৈজবা লন-থুম, সনা-লুপা পূম্নমক লুট তৌবীখিবা, যূমদা য়োকচবা শা-ষণ, ওক-য়েন ফাওবা অমত্তা খাক্তনা পুবীখিবা মসিবু হৌজিক্কী মতমসিদা মালেমগী করম্বা মফমদা থোক্লমগদগে। অসিগুম্বা য়াম্না চাওখৎত্রিঙৈগী থৌওং চথুরক্লিবা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনি। মপা-মপুগী হৌরকফমসু নত্তনা মখোয়গী হোমলেন্দ অমা মণিপুর থুগায়দুনা শেমগনি হায়বসিদবু মীতৈ কনানা য়ানীংগদৌরিবনো।

হৌজিক মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিং, নার্কো কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা লান্দারকপদগী লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং ৱাবা-য়াবা ৱারেনা। ময়ূম-মকৈদা লৈহৌবা মাল-চাং পূম্নমকসু কুকি-জৌ হুরানবশিংনা হুরানবীখ্রে। যূম অয়াম্বসু মৈ থাদোকপীদুনা তাঙ্গৈাই ওনখ্রে। চেক্কী পকা যূমশিংনা থুগায়দুনা মাঙহনবীখ্রে। চুড়াচান্দপুর মায়কৈদদি যূম্ফম ফাওবা এক্সকাভেটর শীজিন্নদুনা পুরা-পুরি তেমথোকপসু মীদিয়াদা উনখ্রিবদুনি। মশাগী মরমদমদা মীতৈশিং রিফ্যুজি ওইরে। রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরে। অসুম্না হিংলিবা মীওইশিংগী মরক্তা থৱায় হিংনবা চেল্লকপগী অৱাবা থৌদোকশিং, নুংশিরবা ময়ূম-মকৈ মৈনা মৈচাক ফনা চাকখৎলকপদা উখিবা শক্তমশিং, হিংচা-য়াইতম্বা নার্কো কুকি-জৌশিংনা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা মীতৈশিং হাৎলো হায়দুনা তান্নরকপগী শক্তমশিংদু নীংশিংলুরগা মশাদা কিবা, পাখৎপা ফাওবা হায়বসি মহৌশানি। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী ফূরুপকী মীওই পূম্নমকপু হুমদুনা পুরগা মীতৈশিংদা লান্দারকপসিনা মরম ওইরগা মীতৈ কয়াদা অৱাবা নংহল্লিবসি ঙাকপী-শেনবীগদবা লৈঙাক্তি কমদৌরি ?

মণিপুরদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমসুং সেন্টরদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক। মখোয়গী ৱাহৈদা দবল ইঞ্জিন। হৌজিক মীচম মীয়াম ৱাহল্লক্লিবসি থা তরুক শুরে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্নসু হায়রে মপান্দগী চঙলকপা নার্কো টেররিষ্টশিংনা লৌতুনদুনা ঈরাংসি থোকহনবনি হায়না, অদু ওইরবদি ঈরাংসি আইরন হেন্দ শীজিন্নদুনা লাকশিল্লোদনা, করি য়েংদুনা লৈরিবনো। থা তরুকপু ঈরাংসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা করিমত্তা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈবা, নেকেট কেরেত ভাইরেল ভিদিওদুগী মতাংদা সেকেন্দ খরা ৱা ঙাঙবা নত্তনা মণিপুরগী এম এল এ, মিনিষ্টর অমত্তগসু করম্না ঈরাংসি থোকখিবনো, করম্না লাকশিনগনি হায়বগী ৱা তানবসু লৈতবা, রমায়ন মহাকাব্যাগী কুম্ভকর্ণগুম তূমদুনা লৈরিবসিমুক ঙকপা অনী শুদে। নাকল অমরোমদা ইজরেল-হমাস লানগী মতাংদদি ৱাফম কয়া ফোঙদোকই। দরকার ওইবা পোৎলমসু পলেষ্টাইনদা তেংবাঙই। মহাক্কী মরমদমগী মনুং ওইরিবা মণিপুরদনা মৈ চাক্লি। অঙকপনি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর। মণিপুরসিবু করি ওইনা খল্লবজাৎনো।

মণিপুরসি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংসিনা করি ওইনা খল্লবজাৎনো হায়বা ইচম-চম্বা ৱাহৈ পরেংসি মীচম-মীয়ামগী থম্মোয়নুংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তৌথোরক্লিবা কৈদাসিনা হেক-হেক হংহল্লি। মণিপুর অপীকপা ষ্টেটনি, এম পিসু মশীং য়ামজদবা লোক সভাগী অনী, রাজ্য সভাগী ১, এসেমল্লি সিটসু ৬০ খক্তংনি। মসিগী মথক্তা লমদমসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিং সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবদুদা ওমশিন্নবা হোৎনবা, সেন্টরদা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রে, কোংগ্রেসতা ওমশিনবা, জনতা দলনা পায়রে মদুদা ওমশিনবা, হৌজিক্লা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা সেন্টরদা পায়খ্রে হায়দুনা ভারতিয়া জনতা পার্টিদা ওমশিনবা অঙকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংনি লমদমসিগী। কোংগ্রেসতা চহী কয়া লৈরম্লবা মশামকসু লৈঙাক সাসন্দা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা মীওইনা কোংগ্রেসসু অমুক হুন্দুনা ঙাঙলকপদি কয়াদা ফজৈ। য়াম্না ফজৈ। মশাগী ওইজবা থিবনা মাঙ থাই, লৈবাক মীয়ামগীনা কোন্না থম্মী। মসি মখোয়না তৌথোরকপা থৌওংদুনা তাকচবনি।

হৌজিক মণিপুর ষ্টেটসি ৱারে, ঈরাংনা মরম ওইদুনা মী পূম্নমক্কী ৱাখলদা তংদু-লৈতাদবা চরাংনবা, লৈফম-চাফম খঙদবা থোকহল্লে। শূফম-নোম্ফম খঙহনদ্রে। মসি পূম্নমকসি কোকহন্নবা হোৎনবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মথৌনি। তৌগদবা মপূং ওইবা থবক হায়বদি লমহেনবা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংবু লাকশিনবগী মহুত্তা মফৈদা ওইনা থবক তৌদুনা লৈরে। মখোয়বু লাকশিন্দুনা য়াদে হায়বা অমা খঙহন্দ্রবদি করম্না ঈং-তপ্পা লাক্কদৌরিবনো। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংসিবু লাকশিনগে হায়রবদি নহান্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লাকশিনবা য়ারেনা। মসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করম্বা অরোনবা এজেন্দানো। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংসিবু ফ্রী থাদুনা থল্লি। ইন্দিয়াসু সুপর পাৱরগী লমজেলদা মাঙজিল থারক্লিবনি হায়দুনা মখৌ পোঙনা ঙাঙবদাইনে। অদুগা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরগী ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো? হাৎননীংবা মখৈ হাৎনজসনু, শিনীংবা মখৈ শিজসনু মদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেলগী ঈচেলদা করিসু অকায়বা পীগদবা নত্তে হায়বগী মওংনি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মওংসি।

মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগী শক্তম শুংকায় কায়বা য়ারোই। কায়গনি হায়বগী আশাসু লৈতে। মরমদি মীতৈশিংনা অমসুং মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হন্নীংদবা কাঙবুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়খিদনবা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা ঙসিসু লেপ্পি। মতাংসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করি খল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি পূম্নমক্কী মকোক্কি, হোমগী, এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী, দিফেন্সকী পূম্নমকসি মহাক্লা য়েংশিনগদবনি, মোনিটর তৌগদবনি। অদুগা করিগী তূমিন্না লৈরিবনো। ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি লৈতে। মিলিটরি সাসননি। চাইনাগা ম্যান্মারগা অফবা মরী লৈনৈ। চাইনাগী এক্সপান্সনিষ্ট পোলিসি মশা-মরেং ফন্দোরকই। অদুনা মশানা জিও-পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অমা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লাকপা তাবনি। মরকসিদা ম্যান্মারনা মতম-মতমগী ওইনা ময়ায়দা লৈদুনা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদগী খুদোংচাবা লৌরি। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারকপদা মপান্দগী হায়বদি ম্যান্মারলোমগী কুকি টেররিষ্টশিং মপূং ফানা য়াওই হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না হৌবদগী হৌনা হায়দুনা লাকখিবনি। মদু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা কোন্না হায়রকপনি। লুংগ্রি শেৎপা অফবা খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং ম্যান্মারিজনি। তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংগী মোর্গতা লৈরিবা শ্বাইগী কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা মশক তাকপা ঙমদ্রবা মখোয়গী ফূরুপকী মীওইশিং ম্যান্মার মচা ওইবা তাবনি।

লোইশিল্লকপদা, য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং, নার্কো কুকি-জৌশিংনা মরাল লৈজদবা মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা লান্দাদুনা থোকহনবা লান অসিদা ফোরেন ইম্মিগ্রেন্টশিং য়াওই হায়বা নাখৈ শেংনা খঙলবনিনা য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা মখোয়বু তকথোকফম থোকই। ঈরাং অসিদা শুম য়েংদুনা লৈথবগী করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো, মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা হায়বা ৱাহংসি থোকহল্লি। ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং খরসিবু তকথোকপা ঙমদ্রবদি মালেমগী সুপর পাৱরগী লমজেলদা য়াওরি হায়বগী নাকল কদোমদা মায়ওন ওল্লিবগে হায়বগী ৱাহং লাকই। মীচম মীয়ামগী অপাম্বশিং পাঙথোক্লবা লমদমসিদা তুং কোইনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা ষ্টেট লৈঙাক্লা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তকশিনফম থোকই। মীচম মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎফম থোকই। তৌগদৌবা মরু ওইবা থবক তৌদনা মফৈদা য়ৈদুনা লৈবগী থবক লৈঙাকপশিংনা তৌবীরনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১) **“ছৈরেং অনৌবা”** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?

২) **“ভর্তৃহরিশতকত্রয়ম্”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ?

৩) **“য়াইথিংকোনু”** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)”** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **“লৈমপাৎকী থারিকথা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নানা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) ভোনিকা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হৱাওবুং মনাক - (১,৩,৪)
৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
***৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৬) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩,৪)
৭) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৮) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৯) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোংনাংমখোঙ - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৬কী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৬কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৬কী পাউখুম

১) **“খোঙউপ বুট”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো? **:- অইবা- কৈশাম প্রিয়োকুমার, লাইরিক্কী মমিং - নোংখোঙ তম্না, অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২০১৩।**

২) **“মীৎতাঙবা শগোলগী মিংদা অঙম্বা কৎপীয়ু”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে অমসুং লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - লাইশ্রম সোমোরেন্দ্র, ওরিজিনেল রাইটর- গুরদিয়াল সিংহ, ফার্ষ্ট এদিসন : দিসেম্বর ১৯, ২০২১।**

৩) **“থাজমানবী”** (২০২২) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
**:- অইবা - নবকুমার নোংমৈকাপ্পম, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, ফার্ষ্ট পব্লিশ : ওগষ্ট ৭, ২০২২।**

৪) **“অপাইবা তাঙ্গৈাই”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো? **:- অইবা - মৈ ভগৎ,**
**লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী খোমজিনবা,**
**অহানবা ফোঙবা : ১৫ দিসেম্বর ২০২১।**

৫) **“লমদমসিগী ইতিহাসকী চেনা খূদিং**
**পিরাংনা চোৎতুনতা লাক্লে;**
**কয়াদা তমথীখ্রবনো মীওইবগী থম্মোয়?”**
শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - ইমোজিৎ নিংঙোম্বম, লৌথোরকপা শৈরেং - অনৌবা য়েন্নীং, লাইরিক্কী মমিং - পুন্সিগী লোইনাইদ্রবা ঈশৈ, অহানবা ফোঙবা : নবেম্বর ০১, ২০০৬।**

# মাঙজবসু-তোংজবসু মফম খঙখিদ্রবা লান -২

### - ৱী সি খুমন -

ইন্দিয়াসু পোলিটিক্সতা অদুক তনোপ-তনোপ্পা লৈবাক ওইদ্রবনি। অরিবা মেথদ শীনে দাক্লগা পূন্না চাওখৎমিন্ননবা পোলিসি প্রোগ্রাম য়াৎপা হৌখ্রবনি। মতম কুইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং নমথদুনা থল্লম্বদু ওইররোই খঙদুনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খুদিংদা মতমগা চাননা পূন্না চাওখৎমিন্ননবা পোলিসি কয়া থবক ওইনা মথং-মথং পাঙথোরক্লিবসিনি। খুদম ওইনা রেল ফাওরক্লে, এয়রপোর্টসু ইন্টরনেসনল থাক্তা ওম্থোরক্লিবসি লান্না লৌবদি লানগনি। ইন্দিয়াগা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগা ফাওনা লম্বীসু মণিপুরগী মোরে য়ৌনা লম্বী শেম্বা হৌরক্লিবসি ইন্দিয়াগী অফবা পোলিসিনি। হোয়, থবক খুদিংগী অফ-ফত্ত লৈনবগুম ইন্দিয়াগী অখন্নবা পোলিসিগীসু মেরিট, দিমেরিট লৈরমগনি।

হৌজিক লানগী ফীভম করিনো তং-তাবা ৱাফম লৈত্রি। লৈঙাক্লা হায়, অথুবা মতমদা হান্নগী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনলক্লগনি। মীয়াম্না হায়, অসুক তমথীখ্রবা মীহাৎ-মীপূনগী লান অসিদা ময়োল লৈঙাক্লা পোলিটিক্স শানদুনা লৈরে, লান খামদ্রে। মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী অওক-ওকথোমদা খ্বাইদগী খাঙফম খঙদনা ৱারিবসিদি মীচম-মীয়াম অমদি হকথেংননা লানগী চৈনা ফংলিবা চীংখোঙ-চীংয়াগী মরাল লৈজদবা মীয়াম্নি। ময়ূম মৈ থাদোকপীখ্রে। লৌবুক্তা লৌ উহন্দ্রে, লোয়ননা মৈ থাখ্রবা যূমদা ফাওবা চংহনবীদ্রে। য়াম্না মওং চাদনা হিংননবগীদমক রিলিফ কেম্পতা পূন্সি লেল্লি। মসিদসু লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংবীদ্রি। পাংনিদি হায় অদুবু করম্বা মতমদনো, চেকশিলহৌদ্রবদি থৱায় চাক্লবশিংনা মশা-মশাগী লন্নাই ফিরেপ লৌনরক্লবদি সিভিল ৱার লাকপসু য়ারিবনি।

হৌজিক্তি লানগী লংলা-লংজিন মুন্না খঙনরবনিনা কনানা লাল্লি, কনানা চুম্মী হায়বদু পূম্নমক্লা খঙনরে। অদুনা লান অসি মখা তাহন্দনবা থৌরাংসু পংলু লুররোই। ময়োল লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা লান লেপহনবা হায়বসিদি করিসু অরুবা নৎত্রবনি। অদুবু কান্নররোইদবা পোলিসি অমদা মীতাদুনা মীয়াম্বু কয়াগী মতিক ৱাহনখ্রে হায়বসি লৈঙাক্লা খনফম থোক্লবনি। খোই চোপ্পা খুদিংসু হেক্তা ঙা ফাদবনি। টেক্নিক অমদি তঙাইফদবনি।

মীয়াম্না খঙনরে হৌজিক্তি লান পাম্বা কুকিশিং শোয়দনা লান লেপখ্রগনি। লোয়ননা মরম লৈনা লান খামদ্রিবা ময়োল লৈঙাকসু মখোয়গী অপাম্বা ফংদ্রবনিনা ইকায় খাঙদগী লান খাম্লক্লগনি। অদুবু খঙগদবদি লান অমুক্তং থোকখিবদা খম থেংনা ৱাজরিবদি মরাল করিনো খঙজদবা মীচম-মীয়ামসিনি। লান লোইখ্রবসু লানগী চৈনাদি কাউঙমদনা লৈহৌরগনি। ●

# অর্বান এগ্রিকলচর : গ্রীন বিল্ডিং এন্দ গ্রীন ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনিসিএটিভস রুফটোপ ফার্ম লান লোইরবা মতুং সিটি-ফার্ম-প্রোগ্রাম পোলিসিদা হাপহনসি-৩

### - ডা. সেঞ্জম জিনস -

অর্বান হায়দ্রোপোনিক্স তৌবনা মদুদা শীজিন্নরিবা ঈশিং অমদি ফর্টিলাইজরশিং রিসাইকল তৌদুনা মশাগী ইরিগেসন রিজার্ভরদা তাদুনা মদুনা লোইদ্রিফাও শীজিন্নবনা অকোয়বগী ইকোসিষ্টমদা শোক্ল-শম্লবদা থিংবা ঙম্মী। মদুদগী থোরক্কদবা হেল্থ, এয়র, ইকোসিষ্টম, বাইওদাইভরসিটিদা শোক্লিংঙাই ওইবদুসু কোকহল্লি। মসিতা নত্তনা পাম্বী থাবদা ঈশিংগী অৱাবসু কোকহনবা ঙম্মী। অর্বান ফার্মিংনা সিটিদা শীজিন্নগদবা কুলিং এন্দ হিটিং প্রোসেস তৌরিবা যূম-যূমদা, ওফিসতা ঐখোয়না নোংমগী শীজিন্নরিবশিং অসি হন্থহনবা য়াগনি, অর্বান ফার্মিং অসিনা অকোয়বগী ফীভম শাবগী চাং হন্থহন্দুনা ঐখোয়না ইনভেষ্ট তৌরিবা ইনর্জি কালেনগী মতমদা হায়রিবশিংসি হন্থহনবা ঙমগনি। অর্বান ফার্মিং তৌবনা, সম্মরগী মতমদা কুলিং তৌনবা থাদরিবা শেলসি হন্থহনবগা লোয়ননা নোইস পোল্যুসনসু হন্থহনবা য়াই। অর্বান ফার্মিং তৌবনা যূমগী রুফ (যূমথক) অসি মৈশাদগীসু কল্লে, নোং-নুংশিৎতগীসু শোয়দনা কনবা ঙমগনি। উসব-ৱাশোপ, কর্ম্ম, চাকচা হৈজানবা লম ওইবনা মতম-মতমগী উসব-ৱাশোপ, লাইগী, ইমুংগী থৌরম লাকপা মতমদা কন্টেক্ট ফার্মিং তৌরিবা রুফটোপ ফার্মদা অমদি মসিদা সর্ভিস প্রোভাইদর ওইরিবশিংনা ফ্রেশ ভেজিটেবল অনকপদগী সিটি মনুংগী থৌদোক থোকফমদা সপ্লাই তৌবসু য়াম্না কানগনি। যুথশিংগীদি boom নি মসিগী থবকসি। অর্বান-এগ্রো-টুরিজম ফাওবা শাগৎপা য়াগনি।

ঐখোয়না রুফটোপ এগ্রিকলচর অসি মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদি রুফটোপ গ্রীনহাউস অমদি ওপন এয়র-রুফটোপ ফার্ম হায়না। রুফটোপ গ্রীনহাউসতদি মশাগী প্রোটেক্টিভ ষ্ট্রকচরশিংনা কুপ্পশিনবা য়াওগনি অদুগা ওপন-এয়র রুফটোপ ফার্মদি প্রোটেক্টিভ ষ্ট্রকচর য়াওরোই। রুফটোপ এগ্রিকলচরগীদমক শীজিন্নগদবা বিল্ডিং অসিসু অনী থোক্লা ক্লাসিফাই তৌবা য়াই। মদুদি, বিল্ডিং অদু মোনো-ফঙ্কসনেল হায়বদি বিল্ডিং অদু চীঞ্জাক খক থানবগী শেম্বা বিল্ডিং ওইগদবা। হায়রিবা বিল্ডিং মখল অসিদসু ঐখোয় বিল্ডিং মনুংদসু চীঞ্জাক থাবা য়াগনি। অনীশুবা বিল্ডিং অদুদি মল্টিফঙ্কসনেল বিল্ডিং ওইগনি, মসিদদি বিল্ডিংগী ফঙ্কসন শীজিন্নফমসি অনী/অহুম থোক্লা শীজিন্নবা য়াগনি। হায়রিবা বিল্ডিংসিদদি; লৈনরিবা যূম ওইবা য়াই, সুপর মার্কেট হায়বদি শীংজমৈ সুপর মার্কেট, ভিশাল সুপর মার্কেটকুম্বা ওইবা য়াই, স্কুল ওইবা য়াই, হোস্পিটাল ওইনা লৈরিবা শিজ হোস্পিটাল, ববিনা ক্লিনিক, ক্লাসিক হোটেল, ইম্ফাল হোটেল, ইম্ফাল হোস্পিটাল, রিমস নৎত্রগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, দি এম য়ুনিভর্সিটি ইম্ফাল মনুংগী বিল্ডিং মথক অহাঙবশিংসি ওইবা য়াই। গভর্ণমেন্টনা পোলিসি অমগী মখাদা মোদেল সিটি ফার্ম ওইনা শাগৎপীরসু কায়দে মফম অমদা সিটি মনুংগী। হায়রিবা বিল্ডিংশিংসিগী রুফটোপতা চীঞ্জাক থাবদুনি মল্টিফঙ্কসনেল রুফটোপ বিল্ডিংগী মনুং চল্লিবসি।

মখল অমা হেক্তা ফ্লেট রুফটোপ ওইবা বিল্ডিংদা রুফটোপ এগ্রিকলচর তৌবা য়াগনি স্মোল বিজিনেসকীদমক। মসিগীদমক্তা পোলিসি অমা শেমদুনা কন্ট্রেক্ট ফার্মিংগুম গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিং অহাঙবা স্পেসশিংসি শান্দোক্তুনা রেন্টেল ওইনা তৌদ্রয়াদ্রবা পোলিসি অমগী মখাদা নহা ওইরবা থবক ফংদদুনা ককঙাওনরবশিংদা সর্ভিস প্রোভাইদর ওইহন্দুনা শীনবা য়াই লৈঙাক অসিনা লান লোইরবা মতুংদা। রুফটোপ এগ্রিকলচর তৌনবগী অখন্নবা বিল্ডিং ইঞ্জিনিয়র তানদুনা তুং কোইনা চৎনবা কমদৌনা চীঞ্জাক থানবগীদমক ওভরওল সেফটি ওইনবা অমদি ইমর্জেন্সি এক্সিট মরাং কায়বা, দ্রেনেজ, ইরিগেসন রিজার্ভর নীংথিনা শাবা, রুফ সর্ফেস লিকেজ প্রোটেক্টিভ, প্রোটেক্টিভ রেলিং অমদি কাখৎ-কুমথগী খুদোংচাবা ওইনবা কয়ানচিংবা হাপ্তুনা শানবা তঙাইফদবনি। হান্না হাপ্পমদবা তারগনা খঙ-হৈরবা ইঞ্জিনিয়র তানবা য়াই। রুফটোপ এগ্রিকলচর অসি মখল-মথেলগী শীজিন্নফম-কানফম ওইহনবা য়াগনি।

রিছর্সরশিংনা থিজিনবদা হৌজিক মালেম অসিদা য়ামদ্রবদা রুফটোপ এগ্রিকলচর ১৮৫ মুক লৈ। মখোয়শিংসি অয়াম্বা নোর্থ অমেরিকা অমদি য়ুরোপতনা কূংনা লৈ। অয়াম্বদি ওপন-এয়র রুফটোপ ফার্মনা শরুক মঙা হেন্না রুফটোপ গ্রীনহাওসতগী শাবা হেল্লি মফমশিংসিদা হৌজিক। রুফটোপ ফার্মগী চৎনবীসি মালেমগী ওইনা ঙল্লিঙৈ মতম কুমজা ১৯৮০ অদুৱাইদা উবা ফংলে। তৌবতবু কুমজা ২০১০ ফাওবা মশক ইখঙ খঙনরমদে মসিগী শীজিন্নফম/কান্নফমসি। হায়রিবা রুফটোপ ফার্মশিংসি স্কুল অমদি যূম লৈনবা যূমথক্তা শানরম্মী। হৌজিক হৌজিক New York City (NYC) খক্তদা ১৫,৪৮২ হেক্টরস রুফটোপ সর্ফেস বিল্ডিং লৈ। এন ৱাই সীগী Brooklyn Grange Rooftop 0.6 hectare অসিদগী চহী খুদিংগী 13,000 metric tons organic vegetable পুথোকপা ঙম্মী। মসি মায় পাক্লা পুথোক্লবা হোৎনবদা local residents, schools, restaurant মপু, non-profit organization পূন্না খূৎশম্নদুনা green job training, environmental education, waste collection কয়ানচিংবা প্রোগ্রাম কয়া শীজিন্নদুনা ওর্গানিক ভেজিটেবল পীবা ঙল্লি। Manipur Organic Mission Agency গসু মসিগী সিটি ফার্ম পোলিসি প্রোগ্রামসি খূৎশম্নবা য়াই। মীনা তৌবা ঙল্লগা ঐখোয়না করিগী য়ারোইদৌরিবনো?

পল্লিবা খুদম কান্নরবশিংসিনা মরম ওইরগা রুফটোপ এগ্রিকলচর অসিনা মালেমগী মী মশীং কৃক-কৃক ইন্নদুনা লৈফম লৈরক্তবা সিটি অমদি সিটিদা লৈবা মী ময়ামগী health, environment, biodiversity, ecosystem, ঈশিং নুংশিৎকীদমক খল্লগা মখোয়বু য়োকখৎপা ওইনা রুফটোপ সিটি ফার্মিং অসি ফ্যুচর ফার্মিংনি হায়না হকচিন্না লৌফম থোকই অমদি পোলিসিদসু হাপ্পবা ঐখোয়না খোল্লাও পূন্না লান অসি লোইরগা লাওবা মতম ওইরে, মীপাল তাংদবা ইশা-ইশাগী চীঞ্জাক ৱাৎকদবা কংলৈপাক ওইবনা। রুফটোপ ফার্ম : green building and green infrastructure initiatives অসি মায় পাকহনগে হায়রবদি প্রাইভেট ইনভেষ্টমেন্ট খক্তনা য়ারোই, পব্লিক ফন্দিংগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা তশেংনা তৌগে খনবা expert stakeholders, local club, community, investors, environmentalists, public and private building গী মপু, NGOs and societies দা খূৎশিন্নদুনা ষ্ট্রেটেজিস এন্দ মেনেজমেন্টশিং অদু খন্দুনা পুন্না গভর্ণমেন্টনা পোলিসি অসি সপোর্ট তৌদুনা সিটি ফার্ম প্রোগ্রাম পোলিসি মসিসু হাপচিন্দুনা ষ্টেট অসিদা ফুন্দ সেক্যুওর ওইনবা তৌদয়াদ্রবা থৌদাং অমনি খল্লবদি শোয়দনা ওইগনি। “...ঐখোয়না নীংশিংগদবদি, মালেমদা ঙসি অনৌবা থবক, দিস্কোভরি, ইনভেন্সন, পোলিসি, ফোরম্যুলা, আইদিয়া, কালক্যুলেসন, থিওরি, হায়পোথেসিস, কয়ানা লৈবাক মীয়ামদা অমদি সোসাইটিদা কানবা পীখিবশিংদু ; মীয়ামগী মীনোক-মৈশা; ৱাইখুগী ৱাখল্লোন: ওইরোই, য়ারোই, কান্নরোই, তৌরুনু, মফমসিগা চানরোই হায়বা ৱাহৈশিংনা হান্না নমথদুনা মায়োক্নখিবা ঙাক্তনি হৌরকপদদি...” ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।